# কায়নবা য়ারোই ঐখোয় : কায়নরসি হায়নরোইসিকো, অমসু অমসু হায়নরকপা শুংয়া য়ারোই

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

চীংনা কোয়না পনশাবা মণিপুর সনা লৈবাকসে কয়াগী মতিক নুংশিখ্রবনো! মথায় থায়না মমাঙঙৈদদি চীংশাং নাপোমশিংনা ইকোয় কোয়না থৎচিনখিবনা মীশৌ চঙবা ঙম্লমদবজাৎনি। ঈ মশেন, নিংথৌ মচা মশেন মনুংদা উংখৎনবা, মদুনা মপান থোরকপদা অৱা, বৃটিশনচিংবা মীতোপ মীরানচাশিংনা খুদোংচাবা লৌখিবৈ ৱানিদা। অৱাংবা চীংদোন্দবু খুন্দাগেরা অনেম্বা তম্পাক্তবু লৈগেরা মীচম মশেন মরক্তদি কল্লক য়েংথিনবগী ইহুল লৈরমদবজাৎনি। কনানসু নঙদি চীংমী, নঙনা তম্মীনি, ঐখোয়গীদা চঙবীরক্কনু নখোয়গীদসু চঙবীরোই হায়বসি মচিন মচিন্দা শুংপন হেক পল্লম্লোই, পনবগী মথৌসু তাদে। হোয় নোংমফাদোক করিগুম্বা মরম অমদগী কেনি কেনাগাদি তৌনরমগদ্রা, মদুমক্লা ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচানি হায়বা ৱাখল অসি কৈদৌনুংদা মাঙহনবা ঙম্ফম থোক্তে। অদুই ৱাদি মচা পোক্তুনা পান্নরিবা মতৈ-মনাও ফাওবা তপ তাখৈ ফূদৎনবা য়াওই। নুংশিনবৈ চাংদি তমগী ইবুং নুংশিবগা চীংগী ইচন নুংশিবীগা, চীংগী ইবুং নুংশিবগা তমগী ইচন নুংশিবীগা নুংশি ৱায়থুংনদুনা নুংশি পন্থুং য়ৌখিবা কোকথোং অমা য়াওরিবসিনি। চীংগী ইপা, তমগী ইপা, চীংগী ইমা, তমগী ইমা হায়না নুংশিনা মিঙ্গৌনরিবসি তরাই-তরাইনা হেক্তা লৌবা য়াব্রা? মরুপ হায়নবু কৌনদে, চীংগী ইঙাই, তমগী ইঙাই হায়নবু কৌনবনি। কয়াদা নকশিন্নরিবা! পূন্সিগী শেত্তোক খাইদোক্লবা য়াররোই হায়বা মিংগৌনি।

থোইদোক হেন্দোকপদি চীংগী ইপা-ইপল, ইবুং-ইপ্পা খুৎহৈবশিংগী পোথোকশিং হায়বদি চাবোৎ, মেরুক, পোলাং, য়াংকোক, ফিঙারুক, শামু খোঙপাক্লচিংবনা তমগী পূন্সিরোল, নাৎ-কলচর, লাইনীং-লিচৎকী ওইবা থৌরমশিংদা অৱাংবা ফিদা কন্দুনা থল্লিবসিদি। ***মরিংনা শাবা শঙবায়দি নামা হাঙদে হায়নৈদো/উমং পোম্বী চেক্লাসু পূঙবা কায়দে তাজৈদো*** হায়না শৈশক শৈথানরল্লিবসিনি। হৌজিক্তবু ফৌ-চেঙগী চোয় চাং ওনবদা অৰুম্বা ওইনা চৎনরকপৈ ৱানি, মতম অমদদি শঙবায়, লীখায়, লাইতং হায়রিবা থুমোক মখল মখলশিংদা ওল্লল্লিবনি। লাইতং অনীনা লীখায়, লীখায় অনীনা শঙবায়, শঙবায় অনীনা পোৎমা অসুম্না চৎনরম্মী। ঐখোয়সু খঙহৌ-উহৌই ইমাখোয়না ফৌ তাইথোক-তাইশিন, ৱান্থোক-ৱানশিন তৌবদা শঙবায়, লীখায়, লাইতং শীজিন্নরম্বদো। শঙবায়দা ফৌ অচোনবা অমা হাপ্লবা মতুংদা লৈতেম মান্ননা ৱাগী উতোং লম ফানা শাংদবা অমনা খেৎ খেৎথবদু য়েংবা নুংঙাইবনি। মদুদা ফৌ তাইরিবা মীদুনা খরা কূত্তক তৌনা খেৎনবা হোৎনবদা ৱানগদৌরিবদুনা য়ারোই হেনমন্না খেত্তোকখ্রে হায়না লাউনবসু কোঙ্গায়নি। হায়রিবা শঙবায়, লীখায়, লাইতংবু শারক্লিবা মরিং ইপা, ইপল, ইবুং-ইপ্পাশিংদো নুংশিকো।

ঐখোয়গী য়ূমথোঙ খূদীংদা য়াংকোক লৈকো। চেঙ খপ্পবা, খৈনবখক্কী নত্তে। ঐখোয়গী থাজনবী নাৎ-কলচর, লাইনীং-লীচৎকা লীপক্লদুনা লৈরিবা য়াংকোক্লি। য়ূম অমগী থৱায়নি হায়না থাজনরিবা য়াংকোকপু নুমিদাংগী মতমদা মপান্দা থম্বা তৌহৈদে, ফত্ত-নুংদা থোক্কল্লি হায়দুনা থম্নদে। য়াংকোক্কী মপান অকোয়বদা ফারিবা লী মশীং অদু ওইনীংবা ওইবা য়াদে। চাক-ঙা, চাক-ঙা নৎত্রগা চঙ-শি, চঙ-শি হায়না মশীং থিবদা চাক নৎত্রগা চঙ তাবা য়াংকোক থম্নে। মসিনা ইমুং অদুদা নুংঙাই-য়াইফবা, চাওখৎপা, তৌরু-তৌরুবা থবক্তা মায় পাকই হায়না থাজনৈ। চহী অনীগী মমাঙদা মরিং ইনাওশিং অমা য়াংকোক য়োনবা লাকই। কয়াদি নুংশিখ্রে মকোকথক্তগী য়াংকোক্তু হেক থাংথবগা ***“মশীং থীয়ো, চাক তাবনে”*** হেক্তা হায়রকপৈ ৱানি। শারিবা য়াংকোকসে ইরায় লায়না শাবা নত্তে। তমগী নাৎ-কলচর, লাইথৌ-তিনথৌ মনুং থীৎনা খঙনা শাবীরক্লবা য়াংকোক খূৎশানি। অঙাংগী ইপান থাবদা, নাহুৎ-নারেং তম্বদা য়াংকোক য়াওদবা য়ারমদে। মনা হুৎপদা য়াংকোক্তা হাপ্পা অচাপোৎশিংদু অঙাং মনা হুৎপা হেক লোইবগা অতোপ্পা অঙাংশিংনা মুন্নবা, লাক্লবদু নুংঙাইবনিকো। ককচীং হরাউবগী অনম-অহা কোকপা থৌরমদা চঙবা পোৎচঙশিং - য়েৰুম, লাংথ্রৈ, লফোই, ক্বা মৰু-মনা, য়োৎপী, শেল শিকি মঙা, থুম, শিং, মৈতৈ ঙমু অচঙবা পূম্নমক অসি য়াংকোক অমদা লাতোন অমা থারগা মদুদা কূপ্লিবা ফি মথক্তা চেঙ হৈরগা থম্মী। মাইবনা লাই চাবান থাবা অমদি লাই-তিনগী মথৌ তৌবদা য়াংকোক য়াওদবা য়াবা নত্তে। লোইবা নাইদে ককচীং হরাউবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লী-ৱানা শাবা শামু খোঙপাক্তা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী ফিজেৎ লৈতেংই। লুহোংবা নুমিৎকী বর মমাঙদা পুবা চেঙনুংশাং নৎত্রগা যাত্রাগী ফিঙারুক অদুসু মরিং ইপা-ইপলশিংনা শাবীবনিকো!

করিগুম্বা মতমদা কনাগুম্বগী মীত্তা মীৎথৌ থুংবা য়াওই। মতম অদুদা মীশক অদুনা চাক থোংবগী চেঙ ওন্নবা মেরুক অদু পায়রগা ***মীৎথৌ নঙনা চাউগে হায়রগনা মেরুকমুক চাউরো, চাউরোই হায়রগনা হঞ্জিনখ্রো*** লাইৱা অসি শোল্লগা তুং ওন্থোক্লগা করাংদা মেরুক অদু শুমাংদা লংথোকই। লৈমায়দা তারিবা মেরুক্তুদা হন্দুনা য়েংলম্বা য়াদে। মীৎথৌ ফনবা অহল লমন্না তাকপীবা থাজ পাম্বৈনি। মতম অমদদি অঙাংগী নাহুৎ-নারেং তম্বা নুমিত্তা অঙাংদুগী অচাপোৎ (ঙমু অরৌবা, য়েৰুম অফূৎপা, কবোক, থম্বৌ, কোমলা, চিনি হৈঙান্নচিংবা) মেরুক অমদা হাপ্লগা পায়হন্নৈ। মসিনসু লোইবা নত্তে, ঐখোয়গী মাইবী মঙদাবদা য়াওদবা য়াদবা মঙদারুক নাথৈদুনা থল্লম্বা য়াব্রা? লোইবা নাইদে, শীংথাবনা ৱাৎলনি, ঐখোয় অমত্তনি, ইমা অমত্তগী মচানি হায়বগী পাউজেল পুরিবা পোৎলম কয়া চীংদগী পুরকই, তমদা শীজিন্নৈ। মসিদবু ৱাখল পূক্নীং তোঙাল্লি হায়বা য়ারিব্রা?

কুম খূদীংগী হিয়াঙ্গৈ থাদি নুংঙোলথাদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা চীং অমসুং তমগী নিঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লরি। নহান হিয়াঙ্গৈ তরানি পানবা নবেম্বর অমা থাংজ নুমিত্তা ওল খা কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মঙারকশুবা অপূনবা নিঙোল চাক্কৌবা ২০২৫ পাঙথোকখ্রে। য়ুম্বীমচা হায় স্কুল কেম্পসতা লৈবা সেন্ত্রেল পব্লিক হোলদা পাঙথোকপনি। কয়াদি নুংশিখ্রে, ফূৰুপ মশীং শুবা নৎত্রবসু মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল, চীংমী নিঙোল কয়ানা হরাউ তয়াম্না শরুক য়াখিবদু। অমত্তা ওইবগী লীপুনসিবু কনানো থদৎপা ঙমগদবা!

নুংশিদ্রনে! থৱায়সু পূক্নিংসু ৱাখলসু হকচাংসু ইপেন্দা পেঞ্জেকো, মতম অমদা ওজা নব ভোলকেনো অমদি অরাম্বম জমুনাগী ***তমগী ইবুং/উদবা কুইরেদা/ইবুংদি ঐবু/কাউরমাল্লে ইবুংদি ঐবু/... ... ... চীংগী ইচল/ঐনা করম্না কাউরসিগে*** হায়বা ঈশৈ অসিনা চীং-পাৎ, তুরেল, লোক্নুং-মান্নুং য়াওনা পূমনিন হেক নিনখিবা, চীংমী-তম্মী খায়দবীদা থম্মোয় নাপ খূদীং, চিনবান খূদীং য়ৌখিবদো। ঙসিসু ইচানুপা কোহেনসমগী ***চীংগী লৈশানা হেল্লিনে/য়েংলিমখৈ পকচৈ/তমগীলৈশাসু ৱাত্তেকো/য়েংলিমখৈ ফজরে/নখোয়নীগী জগোয় উরগা/ঐসু য়াওনীংলে/নখোয়নীগী জগোয়লক্তা/হৈত হৈত মাঞ্জ ঐসু/ইন্নরিয়ে নঙগী খোঙথাং য়েংনা ...*** ঈশৈসিগী তান্থাদা কয়াদা নুংঙাইনা হরাউ তয়াম্না মীয়ামসিনা জগোয় শারিবা। হনুবী ফারবা ঐখোয়গী খোঙ খূৎসিফাওবা ৱারকপা খামজিনবা ঙমদবগী ফীভম য়ৌরে হায়বা য়াই। মসিদবু করম্না কনানা ফৈরেং তুরেং চোইরোল লোল্লকপা য়াব্রা? কায়নবা য়ারোই ঐখোয়, কায়নরসি শুংহায় হায়নরোইসি! মীদি থম্বু থমখো লাই মামক্লসু কায়নরো হায়বা ৱাহৈসি পল্লকপা য়ারোই, ইঙ্গিৎ-ইরাংসু পীবিরক্তবা ওইসনু! ?●

# পাউ নত্তবা পাউ

- নবকুমার ওইনা -



রেদিও, টিভি, পাউচেশিংদা পারিবা-ইরিবা পাউশিংসিনা পীরিবা পাউদু নত্তবদা কুম্মৈ ওইনা য়েংববু য়াখৎলকই হায়বা য়ারে। রাজনিতি হায়বসি পোলিটিক্স কৌখ্রবা মাল্লি, পাবগা তাবগা ৱাদু খেন্নবা য়াওখৎলকইবনি। পোলিটিক্স য়াওবা হায়বগা পোলিটিক্স তৌবা হায়বগা খেন্নবসু য়াওরকই। পোলিটিকেল লিদর অমনসু লিদরশিংনা উৎ চাইবনি, মচিন থীবনি অদুম হায়, ঐখোয়নদি হেক হায়বা য়াদবা। ইয়াম্বা অমনদি রাজনিতিগী ৱারী শাবসি শাওই, ষণ-ইরোইগী ৱাদুবু, নখোয়সু ষণ ওল্লগেরাবু হায়রকই। মরক অসিদা নহাশিং, মহৈরোয়শিং পোলিটিক্স য়াওগদৌবনি হায়বা কাঙবুসু য়াওরিবনি। য়াওদবদি য়াদে, ষণ ইরোইগীসু মরৈরি কৈনো।

হূইনা মী চিকপদি পাউ নত্তে হায়নরিবনি, মীনা মী চিক্লবসিদি করিগী পাউ ওইরোইদৌরিবনো, অমদি হূইরোই ওইবা য়াওরিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মুক্লরগা ঐখোয়গী পান্দম ফংলোই হায়বা খরসু য়াওরি, কয়ামুক খঙলবা ওইরিদৌবনো খঙজদ্রে। মাগী মাগী থাজবা পঙহায়-হায়নবা হায়বদুনি। পঙহায়দা হায়বসি ইকায়নদ্রবনিকো খনবদা ইকায়গে তৌরিবনি। ওইরিবা ফীভমসি কনানা ওইহল্লিবনো হংজবা মতম ওইদ্রিবরা হায়জবা মীসু য়াওশিল্লকই, কনাদবু মদু হংলুদৌবনো খঙদে। নিঙোল চাক্কৌবসিসু তোক্লবনা ফরে হায়রক্লি। নুংঙাইনবা তৌবদা অৱাবগী ৱারী ময়াম্না ৱায় চায়রে। শেল মাঙবদগী মুৎপা তারে, পঙবা তোকউ য়াদে হায়বা য়াওরক্লে। মৈতৈ চৈরাওবা হায়রদি, মৈতৈ চাক্কৌবা হায়গদ্রা খঙদে। মরকসিদা মৈতৈদি মৈতৈ ওইগদৌবনি হায়বগী ফিরেপ লৌনখ্রে হায়রিবসিবু মৈতৈ ওইদবা কয়া কুইরবজাৎনো হংনববু য়ারকই হায়নরি।

ৱাথোক ময়ামসি লিদর লৈতবগীনি হায়না য়াম্না খঙবদৌনা হায়বসু য়াওরি। মাদি কৈদৌ লৈহৌরিবনো হায়রি। অমনসু ফীভম অসি য়াম্না শোকচিল্লক্লে হায়, ঐখোয় ময়ামসি মিৎ পান্দবগুম্নঙাক লৌরবজাৎলা। নহা ময়ামসিনা অসিগুম্বা লমদমসিদা অনৌবা মণিপুর অমা শেম্বা ঙমগনি হায়বসু য়াওরি। নহা মতাশিংসিগা কয়াদি থাজ দে। কাং-কোং চাইবা লোইরবা অসিদা শেন্মীৎলোনতমক, কাং-কোং চাইবা মাল্লি হায়বসু য়াওনৈ। ৱাখলসিনদি থৌরীনদুম পুল্লগা থম্বদি নত্তবনিনা পঙখল খল্লি। ঐখোয় ময়ামসি পুন্নদুম ঙাওমিন্নরিবনি খল্লগা এঞ্জাং অহাওবা অমদুম চাথোকপা য়াবনি।

লিক্লি মচেৎ ময়ামদুনা মৈদি ইক্তনা বোট্টল অমা শারগনিসু হায়জা শারিবনি। মৱা লৌবা য়াবা নত্তে হায়বসি হায়জিনবসু নত্তে, প্রোসেস ওইনা য়াওজরবা ৱানি। লাই তোংবসু য়াওরিনে, লাইগা তিন্নবসু মাল্লিবনি, “লাইনদি লোইনা থল্লম্মী” হায়রিনে, লাই মান্দ্রৌ। মরকসিদা লৈবাক নুংশিবগী শেল খায়বসু তোকপা নত্তেনে। দেঙ্গীগী মহিক মানবা লোৎলগা চিকপসু লৈরিবনি। লৈবাক নীংবা হায়বগা লৈবাক নুংশিবগা মান্নবা য়াবা নত্তে। লৈবাক নুংশিজবা শারগা মরল তানশিনবসু য়ামখ্রপোৎনি। মপুক শেংদবা শেংনা হায়দোক্তবসু কয়ামা য়াওরল্লি। তুমিৎ-কাংদগীনা মী লাবা, মী অমোম ময়ামসি মাগী-মাগী মথৌ ওইনা মশীং হেনগৎনবা হোৎনৈ হায়না খঙনরিবনি। লৈবাক নুংশিবদি শারগা মুথরকপদা মিৎ পাঙনা-পাঙনা উহৌদবা কাঙবু য়াওরিবনি। লৈমায়দু নীংবা, মীশিংদি নুংশিবা ঙমদবা ময়াম য়াওরম্বদগী হাৎনরক্লিবনিদনা। লৈবাক নীংবা হৈরবদি থম্মোয় শেংনা লৈমিন্নরিবা মীয়ামসি নুংঙাইনা পূন্না লৈমিন্নবা য়াবনি। সর্ভিস তৌরিবনি হায়রগা মথক্তা নেৎলগা চৎকে হায়রবদি লৈবাক নুংশিবা কৌবা য়াদে। লৈবাক নীংবসু ওইরোই, থৌদোক ৱাথোক্তা য়াইফ-পাউজেল পীজরি হায়রিবা ময়ামসিবু লাই শাবা নত্তবরা, মানা হায়বদু হেক্তা ওইবা য়াওখ্রবরা? মাগী মতমসু পাম্মুই, তারিবশিংগী মতমসু পাম্মুই, চে-কলমসু পাম্মুই হায়নরবনি। ওইসু ওইদবদা করি থোকচৈ হায়দুনা হায়জা শারিবনো, কনাগী মতৌ তল্লিবনো। তৌগদৌবা থবক্তি তৌদ্রগা লৈবাক মুৎনবা শাজৎ চৎলিবনি।

কাঙবু অমনা হাৎপদি থিংবা ঙমদ্রগা হিংলিবনি হায়না খল্লিবসিবু চুল্লিব্রা খল্লকই। লম্বীদা চৎপসু ঙমজদ্রে, ৱারী নুংঙাইরগা পেঞ্জরিবনি, নহাশিংদা হৈ-শিংহনবা মথৌ তাই, অফবা মীহুৎ খনবা মতম ওইরে, ঈংনা তপ্পা লৈবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা পূম্নমক্কী থৌদাং লৈ হায়বসু য়াওনরিবনি। ময়াম হায়নরিবসি লোইবা নত্তে, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপদা নুপীশিংগী থৌদাং লৈ হায়রিসিবু হান্নদি কয়া খঙনদবা ওইরিজাৎলা? রিহেবিলিটেশন সেন্টর মরাং কায়না লিংখৎকদৌবনি হায়বসু য়াওশিল্লক্লিবনি। থৌ লৈতনা থৌ থিবা হায়গদ্রা, ইশানা তৌদবা থবক্কীসু পঙহায়দা হায়বা য়ারিবনি। নুংঙাইবসি হৈরবদি পঙনুংদা নুংঙাইবসু য়ারিবনি, লৈবাক ওইনদি লৈত্রে, ফিরালদি লাৎপা তোক্লদ্রি। থাজবদি মাঙদ্রি, করিনো থাজনরিবা অসিবো? লৈবাক মুৎনীংলগা মুৎচৌ, শান্নবদি তোকপা য়াদে। পূম্নমকসি লায়না ওইগদৌরি।

নাদবা মীবু লৈব্রা? চাক চরা অমা চামিন্নরগা নুংশিনবসু ঙমদে। করিনো, তাবদা কিরা-কিরবা য়াওরি, ওজাবু লান্না ওইশিল্লম্বা য়াওরি হায়রি। পাবা অদুসু চুমদে হায়রিবসিবু করি তমগদৌবনো খঙলমদবগী ৱাদুনি। অখঙবা শাবসু য়াওরি হায়বসি খঙবা মীসু য়াওরল্লিবনি। অখঙবা শাজরিবসি খঙবীবগী নুংঙাইজৈ। তৌবগীদি মৈতৈ মরক্তা মৈতৈ ওইদ্রে খঙবসু য়াওরবনি। থাঙ-তা হায়বসিনা কলচর কল্লিবনি হায়রি। লানগী থাঙদুনা জগোয় ওইখ্রবদা লৈবাক্তি মুৎখ্রে, নাৎ ওইনা হিংহৌরে। লাই নীংদনা লাই-লিক তম্মী হায়রিবনি, লাই খঙবসু নত্তে, শোয়রেসু হায়রি।

মতৌদি বম্বুলা হৌনা-হৌনকা থারদনা, লৈবাক হায়বসি লাবা ওইনা লৌবসু লৈ, ঐখোয়নদি অমোম ওইনা লৌরি। মচা পোক্কদৌবা নুপী লাখ অমদি ময়ূম পালহন্নবা শিনবা লৈত্রিবনি। জর্দা চাবী ময়ামগী জর্দাদুসু থিংলিবনি, বম্বুলাসু থিংলিবনি, অদুম চায়, অদুম কাপ্পী। অঙাংদি পোক্লদ্রে, অঙাং প্রোটেক্ট তৌগদৌবনি হায়নদি লাউরিবনি। পূম্নমকসি পাঙথোক্লবা মতিং লৈবা লৈঙাক পাম্মীহায়বসু য়াওরক্লি, শেম্বদি ঙমদে। লৈঙাক শেম্বদি লায়রদনা লম্বী ফাওবা শেম্নীদ্রে হায়রিসি য়ামখ্রপোৎনি।

শেল তানবা হৈবা শেঞ্জাও পায়বশিংদি অদুম লৈহৌগনি, মরৈবাক্তি লৈররোই। মখোয়সু তপ্পা-তপ্পা অদুমক মুৎখিগনি। শন্দোক্নবা লায়নাদগী শন্দোক্তবা অনাবনা শিবা মশীংনা হেল্লি হায়রিবসি অনাবা ওইনা পোল্লকপা ওইরিদরা, মমা-মপা ওইবশিংসি হান্নবা নারবা ওইরনি। হিংগে হায়বগী ওইরিনি, বাংলাদেশতা ইস্কোন থিংকৎলকইবনি। সিদদি লাই অমত্তা থিংদে।

অসুক ফজবা লীলা অসিবু করিগী য়েংনীংলোইদৌরিবনো? ●

# অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী ফিল্মগী খোঙচৎতা ঐগী থৌদাং-১

- গুরুময়ূম নির্মল -

অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা মাঙথরক্লিবা লোক্তাক অমসুং সঙাইগী মরমদা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মরি দিরেক্সন পীদুনা নমখি।

অহানবদা :- ইমাশি বিনোদিনিগী বেলে ফিল্ম শঙ্গিট নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লীনা কুমজা ১৯৮৭/৮৮দা পুথোকপা সঙাই দি দান্সিং দিয়র ওফ মণিপুর, ইমাশি এম কে বিনোদিনিনা ইবিরগা চাউতোম্বীনা কোরিওগ্রাফ তৌবা ওজা কুল্লনা ম্যুজিক শেম্লগা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী বেলে য়ুনিটকী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা দান্স দ্রামা ‘কৈবুল লমজাও’ বু ফিল্মদা নম্লকপা মতমদদি দি দান্সিং দিয়র ওফ মণিপুর হায়না মিং থোন্দুনা। ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টুদিওদা সেট শারগা নুমিৎ ১৫নি চঙনা নমখিবা বেলে ফিল্মনি।

শল্লপ্পা ৱারীদি :- কদেং থাংজহনবনা শাদানবা চৎপদা সঙাই অমা হাৎলুরগা ময়ূমদা হল্লকপদা মাগী তালোই তোনু লাইজিংলেম্বীবু মোইরাং নিংথৌনা তালোই ওইনা নম্ফুদা লৌখিবদগী তালোই কায়নখিবদা য়ূম্ফম ওইবা বেলে ফিল্মনি।

মণিপুরদা থাজনবা অমা লৈ, সঙাই হাৎলুরবদি মাগী নুপী অঙাং কায়নৈ। মসি সঙাই মশীং হন্থরকপা থিংনবা পাউতাক ওই, পাউরৌ ওই ইপা ইপুশিংনা পীরম্বা পাউতাক ওইরম্বসু য়াই। ঐমক্তি ফিল্ম অসি নম্বদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা শরুক য়াখিদে।

অদুবু ইবাই শ্যাম শর্ম্ম, ইমাশি বিনোদিনিহোয়না ৱারী শানবদগী তাজহৌবনি। ফিল্ম অসি লন্দনদা উৎপা মতমদা বৃটিশ ফিল্ম ইন্সটিট্যুটনা আউষ্টেন্দিং ফিল্ম ওফ দি য়র ১৯৮৯দা সর্টিফিকেট পীদুনা ইকায়খুম্নখি। অমেরিকাগী ১২শুবা ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মোন্টানাদা মেরিট এৱার্দ মঙা পীরক্তুনা ইকায়খুম্নরকখি।

অনীশুবা :- কুমজা ১৯৮৮দা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুথোক্তুনা কৈবুল লমজাও নেশনল পার্ক হায়না মিংথোনবা ফিল্ম নমখি। মণিপুর ষ্টেট বেষ্ট দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগী মনা ফংখি।

অহুমশুবা :- কুমজা ১৯৮৯দা আই এন টি য়ু সী, ন্যু দেল্লীনা পুথোকপা এম এম ১৬কী ফিল্ম অসি নম্বদদি ঐ প্রদক্সন মেনেজমেন্টতা য়াওখি। কৈবুল লমজাও গেষ্ট হাউসতা নুমিৎ ১৪/১৫নি লৈদুনা ফিল্ম নম্বা মতমদা হায়নখিবা চাক এঞ্জাং থোংনবা পুজারি নোংমখক লাক্লম্লগা মতুং লাকখিদবদগী ঐনা লেমহৌরিবা নুমিৎশিংগী পুজারি ওইনা ইবাই অরিবম শ্যামগী প্রদক্সন মেনেজমেন্টতা চংবা হৌখি। ফিল্ম অসিনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মনা অহানবা অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী নেশনল এৱার্দ ১৯৯০দা ফংবা ফিল্ম ওইখি।

মরিশুবা : অমুকসু কুমজা ১৯৯৮দা লোক সভা সঞ্চার পরিষদ অমসুং ফোড় ফাউন্দেশনগা পুল্লগা ভিদিও ফিল্ম অমসু পুথোক্তুনা মাঙথরক্লিবা লোক্তাকতা য়ূম্ফম ওইবা ইথাই বরাজ শাজিল্লকপা, মতম চূপ্পদা ঈশিংগী ঈমাই ৱাংনা থম্বদগী কৈবুল লমজাওগী ফুমদি পাথরকপা, খুঞ্জাশিংগী লৌফম মাঙহনখিবা, মপান লমদগী নিংথম থাদা লোক্তাকতা চাকতারবা লমঙানু, উচেকশিংগী মশীং হন্থরকপা অসিনচিংবদা য়ূম্ফম ওইবা ফিল্মনি। মতম অদুদদি ঐখোয় মীতৈ মচা খক্তনা ফিল্ম অসি নমখি। সরত শর্ম্মনা কেমেরামেন, ইরোম মায়পাক অমসুং সাইখোম রতননা এসিষ্টেন্ট, ঐজ্জা শান্তিমোনা সাউন্দ, নিংথৌজম সোনাচান্দ অমসুং গুরুময়ূম জ্ঞানেন্দ্রোনা লাইট, সলাম রাজেসনা সবজেক্ট এক্সপার্ট, তরুন মঙাংনা এদিটিং, রোনেল হাওবম অমসুং ঐনা প্রদক্সন মেনেজমেন্ট তৌখি।

অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী ৱাখল্লোনদি, লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা মাঙথরক্লিবা ইকোসিষ্টম অসি কলহৌদ্রবা নোংমদি শোয়দনা লৈকংলা ওইদ্রিঙৈদা মতম চানা লোক্তাক পাৎপু কলহৌবা অমদি মোইরাংগী পাক চাউরবা ফজখ্রবা কলা সংস্কৃতিগী খুদোল, লোক্তাকনা লৈকংলা ওইখ্রবদা, মণিপুরগী ৱাহন্থোক লৈরোইদৌবগী নুংনাংবা পোকচবনি।

“কোরো-কোসি” (১৯৮৮) অমসুং “দি মরামস” (১৯৯৯)

অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমী ফূৰুপশিংগী পূন্সি মহিং অমসুং চৎনবীদা য়ূম্ফম ওইবা ফিল্ম অনী নম্বীখি।

ফিল্ম অসি মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশনগী ইন হাউস প্রদক্সননি। ঐদি শুপ্নগী ষ্টিল কেমেরা অমা পায়দুনা ইবাই অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী সেবাগী, পর্সনেল সিক্যুরিটিগী ফিল্ম নম্বা চৎপনি। অশিন অরাংদি য়াওদে। খুন তাদা জয়কুমার অমসুং খুরাই লমলোংদগী মমিং লৈরবা গাড়ী মেকানিক মাথোইসু য়াওখি।

শক্লাইরবা কেমেরা পর্সন লৈখিদ্রবা কোংগ্রাইলাকপম ঐজ্জা ইবোহল শর্ম্মনা এম এম ১৬কী কল্লর ফিল্ম অসি নম্বীখি। ঐগী ইনেগী মচানুপা কৈশামথোং টোপ লৈরক্তগী ইনাও অসিনা এসিষ্টেন্ট কেমেরামেন ওইখি। ঐজ্জা শান্তিমোনা সাউন্দ রেকোর্দ তৌখি। নিংথৌজম সোনাচান্দ অমসুং গুরুময়ূম জ্ঞানেন্দ্রোনা লাইট টেক্নিসিয়ন ওইখি। ● *(-মখা চৎখজরকখিগনি)*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৫গী ৱাহং

১) “মহাক্লা হায়রম্মী” হায়বা ৱারীমচা অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি।
ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

২) “নঙবু ঙাইবদা অহীংসে হৌখরে
নোংমদোল থাজসু তাখরে
নঙবু থিবদা তাংলৌসে থেঙখরে
নোংমদোল থৱান মুৎখরে।”

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবসিগী মমিং ইয়ু।

৩) “গীতাগী পাউজেল” (২০০৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) “ঐহাক লমকোইবা পামজৈ। মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌনীংই।”
ৱাহৈ পরেং অসি নীংশিং ৱারী অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো?

৫) “মরি তৎলবা বীনা” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।